# বঙ্গলাদেশতা নোং কন্না চুবদগী লেন্দস্লাইদশিং থোকপদা মীওই ৫৩ শিখ্রে



ধাকা, জুন ১৩:
কুমগী নোং কন্না চুবদগী বঙ্গলাদেশকী খা নোংচুপ থংবা শরুক্তা য়ামদ্রবদা মীওই ৫৩ শিখ্রে। মখোয় অয়াম্বা লেন্দস্লাইদশিং থোক্লকপদা ফুমজিনখিবনি হায়না পুলিসনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

টেরিফোন অমসুং ত্রান্সপোর্ট লিদরশিং থদৎখ্রবা লেন্দস্লাইদশিংনা মীশি মীনা অমসুং অমাং অতা কয়া থোকহল্লবা এরিয়া অদুগী মনুং হঞ্জিনবা শরুকশিংদা ইমরজেন্সি ৱার্করশিং চঙশিন্নখিবগা লোয়ননা পুলিসনা অশিবশিং মশিং হেনগৎলকপা য়াই হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে।

হকচাং লৌখৎপগী থবক মখা চত্থরি। মফম কয়া মখা তানা ফাওনবা য়াদনা লৈবগা লোয়ননা অশিবশিংগী মশিং ৱাংখৎলকপা য়াই হায়না দিপার্টমেন্ট ওফ দিজাষ্টর মেনেজমেন্টগী মকোক রিফজ অহম্মদনা এ এফপিদা ফোঙদোকখি। মহাক্না মী থীবা অমসুং লৌখৎপগী থবক হেন্না তকশিন্নবা দিজাষ্টর রেসপোন্স টিমশিং নোং কন্না চুবদগী অমাং অতা থোক্লবা মফমশিংদুদা থাজিনখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

ঐখোয় অৱাবা নংলবা মফমশিং য়ৌশিনবা ঙমদ্রি। নোং চুবা লেপ্লবা মতমদা ঐখোয়না কয়া য়াম্না অমাং অতা থোক্লকপা হায়বদু খঙবা ঙম্লগনি অমসুং মী থী থীবা অমসুং লৌখৎপগী থবক মপুং ফানা চত্থরগনি। ভিক্তিম কয়া ইন্দিয়ান বোর্দরগা নক্নবা মনুং হঞ্জিনবা হিল দিষ্ট্রিক্ট রাঙ্গামাতিগী ত্রাইবেল এরিয়াশিংদগীনি। মফম অদুদা চীংথক্তগী চেন্থরকপা লৈখোম লৈনাং মপৈনা মখোয়গী ময়ুমশিং ফুমজিনখিবদগী মীওই ২৪ শিখি।

মখোয় খরদি লেন্দস্লাইদশিং থোক্লকখিবা মতমদা চীংগী অঙন্বা নাকলশিংদা লৈবা মখোয়গী ময়ুমশিংদা তুমদুনা লৈনখি হায়না দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী চিফ সরেদ তারিকুল হাসননা এ এফ পিদা ফোঙদোকখি।

মনাক নকপা বন্দরবন দিষ্ট্রিক্টতা চীং নিংখাইরকপদা ময়ুম ফুমজিনখিবদগী মদুদা তুমদুনা লৈরিবা মচিন মনাও অঙাং অহুম য়াওনা মীওই তরুক শিখি।

অতোপ্পা য়ুম্লোন্নবা দিষ্ট্রিক্ট চিট্টাগোংদনা মীওই ১৬ শিখি। চহী ১০ গী মমাঙদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ভিলেজ অমদা অচৌবা লেন্দস্লাইদ অমা থোক্তুনা য়ামদ্রবদা মীওই ১২৬ শিখিবনি।

# টেরিসা মেনা মাইনোরিটি গভর্ণমেন্ট শেম্নবগী দিল পুরক্নবা দিয়ুপিগী লিদর উনরগনি

লন্দন, জুন ১৩:
কঞ্জার্ভেটিভশিংনা লুচিংবা মাইনোরিটি গভর্ণমেন্ট অমা শেম্নবগী দিল অমা পুরক্নবগীদমক্তা বৃটেনগী প্রাইম মিনিষ্টর টেরিসা মেনা লৈবাকপোকপগী অথেংবদা নোরদর্ন আইরলেন্দগী দেমোক্রেটিক য়ুনিয়ননিষ্ট পার্টি (দিয়ুপি) গী লিদর অর্লিন ফোষ্টরগা উনরগনি।



মেনা হোষ্ট ওইদুনা ফোষ্টরগা মীফম চত্থগনি অমসুং ফোষ্টরগী পার্টিনা শৌগৎপগী টার্মশিং অমসুং পোলিসি কয়াগা মরী লৈননা হাউস কম্মন্সতা বিলশিং পাস তৌনবা তোরিশিংগা লোয়ননা ভোট পীমিন্নবগী এগ্রিমেন্টগী টার্মশিং খন্নগনি।

মেনা ফোঙদোকখি মদুদি, হাউস ওফ কম্মন্সতা কঞ্জাভেটিভশিং মেজোরিটি ফংহনগদৌরিবা তঙাই ফদবা এপ পি তরা লৈরিবা পার্টি অসিনা (দি য়ু পিনা) মরু ওইবা পোলিসিশিংদা ভেটো তৌনবগী খুদোংচাবা লৈরোই। দি য়ু পিনা অমরোমদা নোরদর্ন আইরলেন্দগী ওইনা হেন্না ফবা ইকনোমিক দিল অমা পুরকপা ঙম্লগনি হায়না থাজরি। মসি ওফিসিয়েল্লি কনফিদেন্স এন্দ সপ্লাই দিল হায়বা দিল অদুদা ময়েক শেংনা য়াওগনি।

ঐখোয়না পুক্নিং থৌগৎপা য়াবা মওং অমদা গভর্ণমেন্ট শেম্বগী মতাংদা ৱারী শানরিবনি। ঐখোয়না ইহান হানবা য়ুনিয়নিষ্টশিংনি মরম অদুনা ঐখোয়না য়ুনিয়নবু সিক্যুলর ওইহনবা পামই। তৌইগুম্বসুং ঐখোয়না নেসনল ইন্টরেষ্টনা খ্বাইদগী মরু ওইনা লৌরগা ৱারী অসি শানখিবনি হায়না ফোষ্টরনা মীটিংদুগী মাঙওইননা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা নুমিদাংদা মেনা মহাক্কী পার্টিগী বেক বেঞ্চ এম পিশিংগী অরুবা কম্মিটি অমা মায়োক্নখি। মদু মহাক্না স্নেপ জেনরেল ইলেক্সন কৌখিবদগী হান্না থাজনরম্বগী ওন্ন তৈনবদা টোরিশিংনা মেজোরিটি সিট মশিংদগী নিপান তানা ফংদুনা পার্টিগী রেঙ্কশিংগী মরক্তা মহাক্কী মায়োক্তগা থবক তৌনবা হোৎনরকপা কয়াগী মরক্তনি। মহাক্না নমদুনা স্নেপ ইলেক্সন পাঙথোকহল্লুরগা শিংথানিঙাই ওইনা মায় পাকপা ঙমখিদবা অমসুং হৌখিবা চহীগী ব্রেক্সিটকী রেফরেন্দম মনুংদা মহাক্না লিদর ওইরকখিবা মতমদা দেভিদ কেম্মরনদগী ফংখিবা পার্লিয়ামেন্টরি মেজারিটি সেক্রিফাইস তৌথোকখিবগীদমক্তা মশানা রেসপোন্সিবিলিটি য়াজরদুনা টোরিগী এম পিশিংদা অপোলোজাইজ তৌখি। পার্টিবু ঐহাক্না অসিগুম্বা খুদোংচাদবা ফিভম অমদা পুশিল্লুরে, হৌজিক্তি অসিগুম্বা খুদোংচাদবা ফিভমদগী নাম্থোক্নবা তৌরগনি হায়না মেনা মহাক্কী পার্টিগী এম পি শিংদা হায়খি।

চৈরকসিদা পার্লিয়ামেন্টরি বিজনেসসু ঙসিদগী হৌরগনি। হাউস ওফ কম্মনননা অনৌবা স্পিকর অমা খল্লগনি অমসুং হাউস ওফ লের্দেসসু মেম্বরশিং ৱাশকপা হৌরগনি। দাউনিং ষ্ট্রিটতা কেবিনেট মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুং দি য়ু পিগী লিদরগা উনরবা মতুংদা মেনা পেরিমতা ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্ট ইম্মান্যুঅল মেক্রোনগা ৱারী শানবা চৎকনি। মখোয়না করিগুম্বা সোসল মিদিয়া কম্পনিশিং হায়বদি ফেসবুক, ত্বীষ্টর অমসুং গুগলনচিংবা মখোয়গী ৱেবসাইশিংদগী এক্সক্রিমিষ্ট কনটেন্ট লৌথোকপা ঙমদবা তারবদি কম্পেনিশিং অসিবু ফাইন তৌনবগী অপুনবা প্লানশিং লাওথোক্কনি হায়রি।

**OFFICE OF THE SECRETARY**
**GOVERNING BODY, KAKCHING KHUNOU COLLEGE, KAKCHING KHUNOU**

**ADVERTISEMENT**

Dated, the 12th June, 2017

**No. 9/KKC/81 :** Under the Government Orders No. 31/3/AIDED-COLL/DEMDS/HE-16 dated the 22nd November, 2016. Applications are invited from eligible candidates for appointment as regular Principal of Kakching Khunou College, Kaching Khunou. Applications on plain papers along with full bio-data and supported testimonials should be submitted on or before 22-06-2017 to the office of the Secretary, Governing Body during office hours.

**Eligibility Criteria :**
1. Ph.D. in any subject.     2. 10 (ten) years teaching experience as a lecturer.
3. Age : 35 years and above.
4. Preferences shall be given to the most qualified long sufferer in the College.

Date of interview shall be fixed by the Director of University and Higher Education, Government of Manipur.

All the applicants should produce all the original documents at the time of interview.

*Sd/-* **Kh. Meghachandra Singh**
Secretary, Governing Body,
Kakching Khunou College, Kakching Khunou

HL-P/1801/13&14

# রসিয়াগী এন্টি দেমোক্রেসনশিংদা ওপোজিসন লিদর অমসুং অতৈ মীওই ২০০ ফাগৎখ্রে



মোস্কো, জুন ১৩:
হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা রসিয়াগী মফম কয়াদা করপসনগী মায়োক্তগা পাঙথোকখিবা দেমোন্সত্রেসনশিংদা মশক নাইবা ওপোজিসন লিদর অলেক্সি নভালনি অমসুং অতৈ মীওই ২৫০ রোম ফাগৎখ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

লোকল মিদিয়াগী মতুংইন্না, মেষ্ট পিটমবর্গতা পাঙথোকখিবা মীওই লিশিং কয়ানা শরুক য়াখিবা রেলি অমদা মীওই ১৫০ ফাখি। মোস্কোদসু য়ামদ্রবদা মীওই ৯৭ দিতেন তৌখি। মোস্কোগী রেলি অদুদা মীয়াম্না রসিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগী মায়োক্তা স্লোগান কয়া লাওখি হায়রি।

ইমেজ কয়ানা খুৎলাই মতিক চানা পাইবা পুলিস ওফিসরশিংনা প্রোটেষ্টরশিংবু ফারগা পুথোকখিবগী শক্তমশিং উৎখি। নভালনিগী লোইনবী জুনিয়রনা ত্বীটরদা পাঙথোকখি মদুদি, মহাক্কী মপুরোইবদু রেলিশিংদুগী মনুংদা খ্বাইদগী চাওবা রেলিদা শরুক য়ানবগীদমক ময়ুমদগী থোকখিবদা ফাখিবনি।

পুলিসনা ৱার্নিং কয়া পীরবসু মহাক্না নোংমা ৱাৎলিঙৈদা রেলিদু মফম হোংখিবনি। নভালনিগী স্পোক্সপার্সন কিরা য়ামিশনা ফোঙদোকখি মদুদি, ওথোরিটিশিংনা মখোয়গী ওফিসতা মৈ ককখি।

প্রসিদেন্ট ৱ্লদিমির পুটিনগী অকনবা ক্রিটিক অমা ওইবগা লোয়ননা ২০১৮ গী প্রসিদেন্সিয়ল ইলেক্সনদা কেন্দিদেট ওইগদৌরিবা নাভলনিনা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী অথেংবদা ওনলাইন্দা ভিদিও অমা থাগত্তুনা মহাক্কী সপোর্টশিংদা সিটি ওফিসলশিংনা পীরিবা নোর্থ ইষ্টর্ন লোকেসন অদুগী মহুত্তা সেন্ত্রেল মোস্কোদা ওইনা পুন্নবা আপিল তৌখি।

ঐখোয়না মখারোমদা ষ্ট্রিটতা তৌনবা হোৎনরম্বা রেলিদু তোকথোক্লগা ঐখোয়গী য়াম্না পিছফুল ওইবা ইভেন্ট অদু টর্ভের্স্ক্য ষ্ট্রিটতা ওইনা হোংলিবনি হায়না নভালনিনা ফোঙদোকখি।

# চাইনানা পাকিস্তান অমসুং অফঘানিষ্টান ৱাতেম্নবা পাম্লি



কাবুল, জুন ১৩:
পাকিস্তান অমসুং অফঘানিষ্টানগী মরী ফগৎহন্নবা লৈবাক অনীগী মীফম শিন্দুনা অমসুং লৈবাক অনীগী মরক্তা ৱাতেম্নদুনা মতেং পাংগে হায়না চাইনানা ওফর তৌরক্লে হায়না অফঘান প্রসিদেন্ট অশ্রাফ ঘানিগী ওফিসনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

চাইনাগী ফোরেন মিনিষ্টর ৱাং য়িনা কাবুলদা খোংচৎ অমা চৎনবা লেপখ্রে অমসুং মহাক্না অফঘান ওফিসলশিংনা উন্নগনি অমসুং অফঘানিষ্টান, পাকিস্তান, য়ু এস অমসুং চাইনাগী মরক্তা মীফম অমা পাঙথোক্নবা শিনবগী মতাংদা খন্নগনি হায়না প্রসিদেন্টগী ওফিসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

ষ্টেটমেন্ট অদু ঘানিনা নুপীশিংগী রাইটস এক্তিভিষ্টশিংগা মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা থাদোকখিবনি। এক্তিভিষ্টশিংদুনা লৈবাক অদুগী সিক্যুরিটিগী ফিভমগী মতাংদা নুংনাংবা ফোঙদোকখি হায়না টোগে ন্যুজনা হায়খি।

অফঘানিষ্টানগী পিছ প্রোসেসতা চাইনানা সিদিমেটর অমা ওইবা পামই হায়রকপসি মসিনা অহানবনি।

পাকিস্তানগা পিছ লিংমিন্নবগী ৱাফম অসি ঐখোয়গী দিমান্দনি, ঐখোয়গী অপাম্বনি অমসুং মসি গভর্ণমেন্ট অনীগী মরক্তা সোল্ভ তৌগদবনি হায়না ঘানিনা মীফম অদুদা হায়খি।

হৌখিবা মে ৩১ দা কাবুলদা শাথিরবা ব্লাষ্ট অমা থোক্তুনা মীওই ১৫০ শিখিবদগী পাকিস্তান অমসুং অফঘানিষ্টানগী মরীদা চৈথেঙ চাওনা নঙখি। ব্লাষ্ট অদু ২০০১ দা টালিবান লৈঙাক চীংথুখিঙৈদগী অফঘান কেপিটেলদা চত্থরিবা খ্বাইদগী শাথিবা এতেকশিংগী মনুংদা অমা ওইখি।

গ্রুপ অমৎতনা এতেক অদু মখোয়গী খুৎনি হায়না ক্লেম তৌখিদ্রবসু অফঘান গভর্ণমেন্টনা মহমদ হক্কানি নেটৱাক অমসুং পাকিস্তানগী আই এস আইগী খুৎ য়াওই হায়না মরাল শিখি।



HL-B/3932/10/06-12/07/(2017)



HL-B/3834/27/04-27/05

## EMPLOYMENT NEWS

**IPMER Recruitment – Jawaharlal Institute of Postgraduate Medical Education & Research – 74 Professor & Assistant Professor Vacancy – Last Date 14 July 2017**

**JIPMER Recruitment 2017**

Jawaharlal Institute of Postgraduate Medical Education & Research (JIPMER) invites application for the post of 74 Professor & Assistant Professor on regular basis. Apply before 14 July 2017. Qualification/ eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**JIPMER Job Details :**
Post Name : Professor
No. of Vacancy : 30 Posts
Pay Scale : Rs. 37400-67000/-
Grade Pay : Rs.10500/-
Post Name : Assistant Professor
No. of Vacancy : 44 Posts
Pay Scale : Rs. 15600-39100/-
Grade Pay : Rs.8000/-

**Eligibility Criteria for JIPMER Recruitment :**

Educational Qualification : A Medical qualification included in the I or II Schedule or Part II of the third Schedule to the Indian Medical Council Act of 1956 (persons possessing qualifications included in part II or third schedule should also fulfill the conditions specified in Section13 (3) of the Act.) and A Postgraduate qualification in relevant discipline.
Age Limit : Maximum age limit is 58 years for Professor & 50 years for Assistant Professor as on 14.07.2017
Age Relaxation : OBC Category 3 years & SC/ST Category 5 years

**Job Location : Puducherry**

**Selection Process :** Selection will be based on Personal Interview.

**Application Fee :** Candidates belonging to General/ OBC have to pay Rs. 500/- & Rs. 250/- (for SC/ST candidates) through Demand Draft drawn in favor of the Director, JIPMER, Puducherry payable at State Bank of India, JIPMER Branch (02238), Puducherry-605006.

**How to Apply JIPMER Vacancy :** Interested Candidates may apply in prescribed application form along with copy of relevant documents, experience certificate & DD send to Director, JIPMER, Dhanvantari Nagar Post, Puducherry – 605 006 on or before 14.07.2017.

**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Application form : 14.07.2017

***Important Links :***
*Details Advertisement Link : http://jipmer.edu.in/wp-content/uploads/2017/06/Website-Advertisement-for-faculty-posts-2017.pdf*
*Download Application form : http://jipmer.edu.in/wp-content/uploads/2017/06/Application-Format.pdf*

**Lok Sabha Secretariat Recruitment – 28 Protocol Officer & Research Officer Vacancy – Last Date 10 July 2017**

**Lok Sabha Secretariat Recruitment 2017**

Lok Sabha Secretariat invites applications for the post of 28 Protocol Officer & Research Officer on Direct Recruitment basis. Apply Online Before 10 July 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt. No. : 06/2017

**Lok Sabha Secretariat Job Details** :

Post Name : Protocol Officer
No of Vacancy : 16 Posts
Pay Scale : Rs. 15600-39100/-
Grade Pay : Rs.5400/-
Post Name : Research Officer
No of Vacancy : 12 Posts
Pay Scale : Rs. 15600-39100/-
Grade Pay : Rs.5400/-

**Eligibility Criteria for Lok Sabha Secretariat Recruitment :**

Educational Qualification : Master's Degree in any Discipline from any recognized university or two year Post Graduate Diploma in any discipline or LLB from a recognized university or qualified Cost Accountant/ Chartered Accountant/Company Secretary or Bachelor's Degree in any discipline with 3 years experience.
Nationality : Indian
Age Limit : maximum age limit is 27 years

**Job Location : Delhi**

**Selection Process :** Selection will be based on Written Test & Personal Interview.

**Application Fee :** There is no Application fee.

**How to Apply Lok Sabha Secretariat Vacancy :** Interested candidates may apply online through the website http://loksabha.nic.in/ from 09.06.2017 to 10.07.2017 till 05.00 P.M. thereafter link will be disabled.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application form : 09.06.2017
Last Date for Submission of Online Application form : 10.07.2017

***Important Links :***
*Detail Advertisement Link : http://164.100.47.193/JRCell/Module/Notice/Advt62017EO&RO.pdf*

***Apply Online :*** *http://164.100.47.194/loksabha/Recruitment/advandnot.aspx*